# কুমজা ২০১৫গী কেরলা নেসনল গেমসকী ফাইনেলদা ঐখোয়না ওরিষা থোইদুনা ৱিন্নর ত্রোফি লৌরকখিবদু ঐগী ওইনা খ্বাইদগী নুংঙাইজবা অমনি

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
### ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা



এলাংবম পান্থোই চনু
ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর

(ঙরাংগী মখা)

অঙাং ওইনা ফিল্ডসিদা লাকখিবা ওইবনা মণিপুরগী মপান্দা ইন্দিয়া কেম্প কৌরকপদসু ঐবু পোকপা বাবানা ভোপাল তানা থিনবীখিবসু অনী/অহুল্লক য়াওখি। করিগুম্বদনা ইন্দিয়া কেম্পতা কৌরকপদা ঐখোয় ময়াম্না শেল খরা খরা খায়নরগা অতোপ্পা মী নেল্লগা থিলহনবসু লৈখি। চৎখিবা খোঙচৎ অয়াম্বা মায় পাক্লগা হল্লকখিবনা অয়াম্বনি। ককচীংগী দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল একাদেমিদা লৈরিঙৈদা ঐহাক্তি ইশাগী ওইবা অচৌবা মঙলান কয়াসু শাগৎতুনা লাকখ্রে।

কুমজা ২০০৮দা ভিয়েটনামদা অন্দর-১৩গী স্পোর্টস ফেষ্টিবেল য়াওরুরবা মতুংদা কুমজা ২০০৯গী এপ্রিল ২২দগী মে ৫ ফাওবা তৌখিবা অন্দর-১৪গী স্পোর্টস ফেষ্টিবেলসু ঐহাক ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নজরকখি। কুমজা ২০১০দা জোরদান্দা পাঙথোকখিবা অন্দর-১৬কী গর্লস চেম্পিয়নশিপ্তসু ঐহাক ইন্দিয়া টিমদা য়াওদুনা শান্নজবা ঙম্লকখি। চহী য়াম্না নৌনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল থাক্কী টুর্নামেন্ট কয়াদা য়াওদুনা শান্নজরকখ্রে। দি এস এ ককচীংগী ফুটবোল একাদেমিনসু ঐবু গাইদ চুম্না তৌবীরকপনা ইশাগী ফুল কনফিদেন্স অমা য়াওনা ঐসু খোঙ থাংজিঞ্জরকখ্রে।

অদুগা, ঐহাক্না ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্দা লাকখিবা অসিদি কুমজা ২০১২দগীনি। ঐখোয়না ইন্দিয়া কেম্পতা কুমজা ২০১১দা লৈবা মতমসিদা ওজা আর কে অমুসনানা ঐখোয়বু কোচিং পীবিরকখি। ঐখোয়বু ফজনসু তাকপীরকখি। মদুগী মখা তারকপদা ঐখোয় খরা অমুক সুবর্টো-কপ শান্নবগীদমক ককচীং ফুটবোল একাদেমিদা কন্টেক্ট তৌবীরকখি। লোয়ননা ঐখোয় খরা স্কুল গেমসকী সুবর্টো-কপ শান্নবসু পুবিরকখি। স্কুল গেমস শান্নরুরগা হল্লক্লবা মতুংদা ইষ্টর্ন ক্লবতা য়াওননবা হায়রকপদগী কুমজা ২০১২গী চহী লোইশিল্লকপা মতম অদুৱাইদা ককচীংগী ফুটবোল একাদেমিদগী ঐনে, মার্গেটনে, জেনিয়ানে, লালমনে ঐখোয় মরি ত্রান্সফর তৌদুনা চঙলকখি।

কুমজা ২০১২দগীনা হৌজিক ফাওবা লেঙদনা ঐহাক ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্দসু অদুম শান্নজরি। অহানবা ওইনা, ঐনা চঙজরকপা মতমদা শান্নমিন্নখিবা প্লেয়রশিংদু হৌজিক্তি অতোপ্পা মফমদা থবক-ইনখাং তৌনখিবদগী লোইনা কায়নখ্রে। ঐখোয় খরদা ঙাইরে লেঙদনা লৈহৌরিবসি। ইষ্টর্ন ক্লবতা চঙজরকপা মতমদসু ককচীংগী ওজাশিংনা, কোচশিংনা ফজনা মখোঙ শেংনা তাকপীরকপনিনা ঐহাক মায় পাক্লা নুংঙাইনা চঙজরকপা ঙমজখি। ঐবু অহানবা ওইনা তন্দ্বীরকখিবা ওজাশিংদু হৌজিক ফাওবা লোইনা নীংশিংজরি।

ওজা নিলো, ওজা সুরজিৎ, ওজা যোগেন্দ্রজিৎ .... হায়রিবা ওজাশিং অসিনা ঐবু থেঙনা লাকপগীনি হায়দুনা পনিসমেন্ট ওইনা গ্রাউন্দগী অকোয়বদা তরেৎ/নিপানলক চেলহনখিবদু ঐঙোন্দদি য়াম্না কান্নবা ওইখি। মদুনা পাঙ্গল হেন্না কনখৎহনখি। কুমজা ২০১২গী মতমদা ইষ্টর্নদা শান্নমিন্নখিবসি ঐনা নীংশিংজবদা রাধারানি, পিঙ্কি, লালম, প্রমেশ্বরি, মন্দাকিনি, মার্গেট, জেনিয়া ... হায়রিবশিং অসিনচিংবনি। হেক চঙলকপগা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্না ৱিন্নর লৌবসু ঙমখি। ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী অহল-লমনশিংনসু ঐখোয়বু য়াম্না ফজনা সপোর্ট পীবিরকখি। ইষ্টর্নগী মরুওইবা মীশক অমসু ওইবিরিবা য়াম্বুং আর কে নিমাইনসু ঐখোয়বু ফজনা গাইদ তৌবীবগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎপীদুনা নুংঙাইনা শান্নহনবীরকখি। ইষ্টর্নগী ওইনসু মতম মতমগী কেম্পনচিংবা চাংনাইনা পাঙথোক্তুনা হোৎনবীরকখি।

অমরোমদা, গোলকিপর অমা ওইনা ঐ ইশাগী ওইনসু শান্নবা হেক হৌজরকপদগী লন্নাইগী ওইবা ত্রেনিং কয়াসু তৌজরকখি। গোল কিপ্পিংগী মতাংদা ওজা প্রেমকান্ত, ওজা রোনিবালা, ওজা পোইরৈঙানবা ওজাশিং অসিগী মখাদগীসু ঐহাক ত্রেনিং ফংজরকখি। ওজা পোইরৈঙানবা মশামকসু হৌজিক হৌজিক নোর্থ ইষ্টকী ওইনা শান্নরিবা মীশকনি। মহাক্কী ওফ সিজনগী থোরকপা মতমদা লেপ্তুনা অদুম ত্রেনিং তৌজরকখি। য়ূমদা লৈবা মতমদসু ঐহাক্তি বোল অমদি শুকথা থাদে। খার পিকপা, খরা চাউবা মখল মখলগী বোলসি পায়দুনা ইশাগী রুমগী ফক্লাংদা থোমদুনা শান্নবসিসু ঐগী হোবিনি।

শান্নরোয় ঐখোয়গী পুন্সিসিদসু অৱা-নুংঙাই ময়াম অমা অদুম থেংনৈ। ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইজখিবা, পূক্নিংদা অপেনবা পোকখিবা অমত্তং হায়জরবদি অহানবা ওইনা কুমজা ২০১৫দা কেরলাদা তৌখিবা নেসনল গেমস অসি পঞ্জনীংই। হায়রিবা নেসনল গেমস অদুগী ফাইনেলদা মণিপুরগা ওরিষাগা শান্নখি। অপীবা মতমদা ঐখোয় থোইনবা ঙমখিদে। এক্সত্রা টাইম হাপ্পদসু মায়থীবা পীবা ঙম্নদবদগী পেনালটি কাওনরগা লাইবক লেপ্নবা তাখি। মদুদা, ঐহাক্নসু গোল সেভ তৌবা ঙম্ননবা কন্না হোৎনদুনা শান্নখি। ফাইনেলদু ঐখোয়নসু ৱিন্নর ওইখি। প্লে হেক লোইবগা, য়াম্বুং আর কে নিমাইনা ফিল্ডদা চঙলক্লগা কোক্তা নানবীদুনা ঐহাকপু পূক্নিং থৌগৎপীখি। নুংশিনা ঐখোয় ময়ামদা থাগৎ-ৱাহৈ খরসু হায়বীরকখি। অদুগুম্বা মীৎকুপ্তুদা ঐখোয়না লুনা খঞ্জবা য়াম্বুং মশামক্না থোরক্তুনা ৱিশ তৌবীখিবদু য়াম্না নুংঙাইজখি। অদুগুম্বা কেরলা নেসনল গেমসতুদা ৱিন্নর লৌবা ঙমজরকপদগী ঐখোয় মণিপুর গভর্ণমেন্টকী থবক চঙবসু ঙমজখি। ...মথং-মথং...





## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৪

১) ঐহাক ফুটবোলগী কোচ অমনি। ঐহাক মঙোন্দগী ফুট ১২ রোম লাপ্পা লৈ। ঐখোয় অনীগী মরক্তা ফুটবোল বুট ময়াম অমা লৈরম্মী। ঐনা মঙোন্দা চঙশিল্লম্মী মদু ঐনা বুট অমা কন্না শাওদুনা কাওরম্মী। মদুনা মহাক্কী য়েৎথংবা পীশুমদা পাল্লম্মী। পীশুমদগী ঈ তারকখি। ঐ কনানো?

২) মহাক ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল অমা ফংখ্রবা মতুংদা মহাক্কী লৈবাক্কী পার্লিয়ামেন্টগী মেম্বর চহী ৩০ হেন্না ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৩) য়ু এস এনা বেলজিয়মবু ফাইনেলদা পাঞ্জল ১৩-১১দা মায়থিবা পীদুনা ওলিম্পিক মশান্না অমদা চেম্পিয়ন ওইখি। করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা থৌদোক অসি থোকখিবনো?

৪) ঐ ফুটবোল য়াম্না পামজৈ, ঐবু ফুটবোল শান্নবগীদমক মালেম অসিনা নুংশিবি। ঐ ফিজিকেল এদ্যুকেসনদা দিগ্রি অমা ফংবা ঙম্লে। ঐগী দিগ্রি অদু ফুটবোল কোচ ওইনবা লৌবা দিগ্রি নত্তে হায়না ঐনা মীয়ামদা হায়জখি। দিগ্রি অসি ফুটবোলগী ফিজিকেল ফিটনেসকী ওজা অমনা পাউতাক পীবদগী লৌখিবনি। ঐ কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### ৮শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

# ৱাই দল্লীয়ু লংথবাল অমসুং এল সী সী সী লীলোং চজিং ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস):

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা টিম ৯না শরুক য়াদুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা '৮শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০'গী ফাইনেলদা ৱাই দল্লীয়ু সী লংথবাল অমসুং এল সী সী সী লিলোং চজিং মখোয় মখোয়গী সেমীফাইনেল মেচশিং মায় পাক্তুনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেচতা ৱাই দল্লীয়ু লংথবালনা মোদেল ক্লব চীংঙামখাবু ৱিকেট ৫দা থোইবা ঙমখি। মোদেল ক্লব চীংঙামখাগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ১২৫ লৌখি। টিম অদুগী সিরিস অমসুং দেমিননা রন ২৬ অমসুং ২২ লৌবা ঙমখি।

ৱাই দল্লীয়ু সীনা মায় পাক্নবা রন ১২৬ অদু শুপ্নগী ৱিকেট ৫ ওইরগা ওভর ১৮গা বোল ৫দা লৌবা ঙমদুনা মেচ অদু মখোয়না মোকেল ক্লবপু ৱিকেট ৫দা থোইবা ঙমখি। ৱাই দল্লীয়ু সী লংথবালগী মায়কৈদগী প্রেমচন্দ্রনা রন ৩৩ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেচতা এল সী সী সী লিলোং চজিংনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৩দা থোইখি। মেচ অদুগী অহানবা ইন্নিংস সাইক্লোননা শান্নরকপদা ওভর ২০দা ৱিকেট ৩ খক আউট ওইরগা রন ১৮৩ লৌখি।

এল সী সী সীনা মায় পাক্নবা রন ১৮৪গী টার্গেট অদু ওভর ২০গী মঙা শুবা বোলদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৮৭ লৌদুনা ৱিকেটয ৩দা মেচ অদু মখোয়না থোইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা ৱাই দল্লীয়ু সী লংথবালগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।





# মমাঙগী চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সীনা অনীশুবা সেমীফাইনেল প্লেওফতা এ টি কেবু ১-০দা থোইখ্রে




বেঙ্গালুরু, মার্চ ০১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ২শুবা সেমীফাইনেল প্লেওফকী অহানবা লেগতা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফ সীনা এ টি কেবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে।

ঙসি বেঙ্গালুরুগী শ্রি কান্তিরাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীশুবা সেমীফাইনেল প্লেওফকী অহানবা লেগ অদুদা মমাঙ চহীগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা য়ুম্বু ক্লব বেঙ্গালুরু এফ সীনা টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দদা কা হেন্না ফংবা ঙমখিদ্রবসু সেমীফাইনেল য়ৌরগা টাইটল লৌনবগী হোৎনরকখিবা অদু এ টি কেনা য়াম্না ফজনা লম্বা পীদুনা অহানবা হাফ অদুগী পুংখাই ফাওবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মেচকী ৩১শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফ সীগী মায়কৈদগী চথখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় দি ব্রাউন্দনা য়াম্না ফজবা খুদোংচাবা অমদা কাওশিনখিবা বোল অদু পাঞ্জল ওইদুনা এ টি কেবু ১-০দা মাংজিল থাখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা এ টি কেগী ইক্বেলাইজর ফংখিদবা মরম্না ০-১দা শোথদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা বেঙ্গালুরু এফ সীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকখিবশিং অদু এটলেটিকো দি কোলকতা (এ টি কে)গী দিফেন্দরশিংনা থিংখি। অমরোমদা এ টি কে ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা মেচ অদু ০-১দা মায়থীখি।

# স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং গ্রেট বৃটেনগী হেদর ৱাটসননা মেক্সিকো ওপন টেন্নিসকী টাইটল লৌখ্রে

একাপুলকো, মার্চ ০১ (এজেন্সী):

মেক্সিকোগী সিটি একাপুলকোদা লৈবা প্রিন্সেস মুন্দো ইম্পরিএল টেন্নিস সেন্টরদা পাঙথোকপা মেক্সিকো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু ৱর্ল্ড নম্বর ২ স্পেনগী রাফেল নদালনা লৌখ্রে। অদুগা নুপীগী সিঙ্গলসকীনা গ্রেট বৃটেনগী হেদর ৱেটসননা ফংখ্রে।

থা অসিগী ২৪দগী হৌরকখিবা মেক্সিকো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ২৭রক শুবা নুপাগী সিঙ্গলসকী এদিসনগী ফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ সিদেদ অমসুং ৱর্ল্ড নম্বর ২ শান্নরোয় ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং য়ু এস এগী টেলর ফ্রিটজকা লম্বা তৌনবদা রাফেল নদালনা ৬-৩, ৬-২দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ২০লকশুবা এদিসনগী ফাইনেল মেচতা গ্রেট বৃটেনগী হেদর ৱেটসননা কানাদাগী লেলা এনি ফর্নান্দেজকা লম্বা তৌনবদা ৬-৪, ৬-৭ (৮-১০), ৬-১দা থোইদুনা নুপীগী চেম্পিয়ন ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপা দবলস ফাইনেলদা নম্বর ১ সিদেদ কলম্বীয়াগী জে এস কবাল অমসুং আর ফরাবু পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমদি ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোনা ৭-৬ (৮-৬), ৬-৭ (৪-৭), ১১-৯দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপী দবলসতা য়ু এস এগী দি ক্রাওৱিটস অমসুং মেক্সিকোগী জি ওলমোসনা য়ুক্রেনগী বোন্দরেনকো অমদি কানাদাগী এস ফিসমানবু ৬-৩, ৭-৬ (৭-৫)তা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি।





# হুয়েন লানলোং থাঙ-তাগী মহৈ খঙমিন্নবগী থৌরম হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস):

অপুনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লুপনা শীন্দুনা 'ঐখোয় পুন্না হুয়েন লানলোং (থাঙ-তা)গী কাংলোংশিং তম্মীন্নসি' হায়বা হিরম অসিদা নুমিৎ ৯০নিগী ওইবা থাঙলোন, তারোন, চৈবী, সরিৎ-সরাক, শাজেল কাংলোনগী মতাংদা ওল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হুয়েন লানলোং অমসুং চৈবী এসোসিএসন কুম্বীগা খুৎশম্নদুনা শান্নরোয় ৩০ রোমনা শরুক য়াদুনা ঙসি হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদু সাইতোল লৈঙাংপোকপীদা অয়ুক্কী পুং ১১ তাবা মতমদা অপুনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং মণিপুরগী লমজিং মখাদা হৌদোকখিবনি। ঙসি হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা অহৈবম ধোম্বনা প্রসিদেন্ট, থাংজম রোবিন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট অদুগা চোংথাম রঞ্জিৎ অমসুং ফঞ্জৌবম বিরেননা গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইখি হায়না লুপ অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# কোথাজিৎ, চীংলেনসনা অমসুং নিলকান্তা কেম্পকীদমক খল্লক্লে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমগী চীফ কোচ ওইরিবা গ্রাহম রিটনা হোক্কি ইন্দিয়াগা খুৎশম্নদুনা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কি টিমগী নেসনল কেম্পকীদমক শান্নরোয় ৩২লাউথোরকপদা মণিপুরদগী হৌখিবা খদাংবম কোথাজিৎ, কাংঙুজম চীংলেনসনা অমসুং শঙলাকপম নিলাকান্ত শর্ম্মা খল্লক্লে।

কোচ গ্রাহম রিটনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা চহীসিগী জুলাই থাদগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী মাংওইনা ইন্টর্নেসনল হোক্কি ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা প্রো লীগ মেচশিংদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা নেদর্লেন্দস, ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন বেলজিয়ম অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা মেচশিং অদুদা ইন্দিয়গী শান্নরোয়শিংগী মশান্না অদুবু অৱাংবা থাক্তা থমখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চয়োল ৪ চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা কেম্প অসিদা শান্নরোয়শিংনা স্কিল, টেক্লিং, গোল সুটিং অমসুং ট্রেপিংগী লমদা অহেনবা মীৎয়েং চঙগদৌরি। লোয়ননা কেম্প অসি লোইরবা মতুংদা টিম অসিনা জর্মনি অমসুং ইংলেন্দদা শান্নবা চৎকনি হায়রি।

# ইংলেন্দনা ৱেষ্ট ইন্দিজপু রন ৪৬তা মায়থীবা পীদুনা আই সী সী ৱিমেন্স টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ২০২০গী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

সিদনি, মার্চ ০১ (এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা পাঙথোক্লিবা আই সী সী ৱিমেন্স টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেচ অমদা ইংলেন্দনা ৱেষ্ট ইন্দিজবু রন ৪৬তা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

সিদনি সিটিদা লৈবা সোগ্রাউন্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী লীগ মেচ অমদা ইংলেন্দগী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা টোস ঙমদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নবা মেচ অদুদা বেট্টিং হান্না তৌখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা রন ১৪৩ লৌখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী নেতালি স্কিবরনা রন ৫৭ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মেচ অদু মায় পাক্নবা রন ১৪৪গী য়ৌননবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী বেটচৱিমেন ১০মক ১৮শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা শুপ্নগী রন ৯৭দা আউট ওইদুনা মেচ অদু ইংলেন্দনা রন ৪৬তা থোইখি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা পাকিস্তানগী টিমবু সাউথ অফ্রিকাগী টিমনা রন ১৭তা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

